# ঐহাক ঙসি এন্টি ইন্দিয়ন ওইরবরা

ৰারেং অসি ইরগে খন্না ফমথরকপা মীকুপ ফাওবা ঐগী পূক্নিং-ৰাখল অনীমক্তা লাইখায় তাদ্রি-ইদৌরিবা হীরম অসি করিনো? খূৎনা কলম পায়জবতনি, ইদৌরিবা ৰাহৈশিং অদুবু মমায় চুমদৌরিবা পূক্নিং-ৰাখল অদুগী হৌরকফমদি ঐগী কোক অসিনি। কোক'সিদি হৌখিবা থা তরাহুমদোই-মরিসিদগী কুকি-মীতৈ অনীগী মরক্তা লৈরিবা উংখৎনবা, খৎনবা, চৈনবা, হাৎনবা... কাইনথংদা মণিপুরবু থুগায়রগা 'কুকিশিংগী লম' (কুকিলেন্দ) হায়বা অমা শেম্নবগী লান ওন্থোরকপা অসিগী চরাংনবা/লৈতাদবা ৰাখলনা ৰাই চিলহন্দুনা লৈরকপদু ঙরাং (জুন ২৮, ২০২৪) 'কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি' (কোকোমি) না শিন্দুনা 'মণিপুর কনবা খোঙচৎ' হায়না মিংথোনবা 'মীয়ামগী রেল্লি' অমা চৎখিবদুগী ৰাখলনা অমুক্কা হেন্না চনৈনহল্লে। খঙলে - ৰারেং অসি ঙসিসু অমুক্কা হন্না মীয়ামগী নাকোং ৰাই চিলহনবা, ঐহাক্সু ইনীংদ্রবা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অতম্ননা থৌওইদ্রবা মণিপুর কায়বা য়াবগী থাক্তুদা নকশিল্লক্লবা ইস্যুসিগী মায়কৈদা হুমদুনা পুখ্রগনি। অদুবু ঐ, তাদবা লৈত্রবা পাউদুদি তম্লিংদে। মচিন্দা মণিপুর পন্নীংদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'দা মণিপুরগী মরমদা অমুক 'হন্না ৰা ঙাঙউ' হায়ররোই, লাক্লিংদ্রবা লমসিদা লাকপীয়ু অমুক হন্না হায়ররোই। ঙাঙদসনু লাক্তসনু। মহাক্না ঙাঙবা ৰা তাদবা কুইরে ঐহাকসু। টেলিভিজনগী পাউ য়েংবদা মহাক্কী শক্তম উৎলকপা খুদিং মূখৎলিবা কুইরক্লে। মহাক্কী অহুমশুবা প্রাইম মিনিষ্টরগী টর্মসিদা করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মনুংদা নৎত্রগা মপান্দা মণিপুরগী মরমদা হায়রকপা থোক্লবসু নাকোংসিনদি তাররোই, ইমিৎসিনসু য়েংলরোই। হোয়, পাউ-চেশিংদা ফোঙলকপা থোক্লবদি পারুদ্র! অদুবু, মহাক করিমত্তা হায়রক্লোই, ঙাঙলক্লোই হায়বসিসু ঐ খঙই। হায়রক্লরোই, ঙাঙলক্লরোই খঙলবা ৰা'দুবু তানীংলুদৌরিবা করিগী? অদুগা, পাউ-চেশিংদা ফোঙনরকপা পাউ খরগী মতুংইন্না, ঐখোয়গী সী এম বিরেন'না চথরিবা ইরাং'সি হেক থোক্লকখিবা নুমিত্তগী ঙসিফাও, ইরাংসিগী মতাংদা ৰারী শাননবা পি এম ওগী ওফিস'তা এপোইন্টমেন্ট অমুক্তসু লৌখিদ্রি/উনখিদ্রি হায়বা রিপোর্ট অদু পাবদা ঐঙোন্দা অনী লোঙবা ৰাখল অমগী মরূ হুনখি-

- এপোইন্টমেন্ট সীক তৌরুরবসু পীরক্লোই/টেলিফোন তৌরুরসু পায়রক্লোই কিবদগী তৌখিদবরা?

- অসি য়ৌনা তমথীবা, ইন্টরনেসনল ইস্যু ওইরবা ৰাথোক অমা ষ্টেট অমদা থোক্লগবু য়েংবীরোলাউ/মীয়ামগী মীকপখোল তাবীরোলাউ হায়দুনা কৌবা ঙাইগদ্রা? মশানা লাকফম থোক্তবরা? হায়বা ৰাখলসিনা মাঙওইনদুনা, মূক্তুনা এপোইন্টমেন্ট নিখিদবরা?

অদুবু থোকখ্রিবা থৌদোকসিগী সিক্কেন্স অমদি, সেন্টর-ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীসিদা তৌখিবা থবকশিংসি য়েংলুরগা, ঐদি অকোনবগী ৰারোল অসিদি ওইরমগদবা মান্দে। অহানবগী ৰারোলসি শোয়দনা ওইগনি। মোর্নিং সোজ দ দে... অয়ূক্তা ওইখিবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদুনা নুমিত্তু'মা মশক তাকই- হায়নবদুগুম, মোদিগী অহুমশুবা টর্ম অসিগী অহানবা 'পার্লিয়ামেন্টরি সেসন' হৌদোকপগী ৰারোল (প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা শেম শাবা) প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু'না পীখিবদুদা 'মণিপুর' কৌবা মৈ হৌনা চাক্লিবা ষ্টেটসিগী মতাংদা, ৰাহৈ পরেংদি লায়রদুনা ৰাহৈ অমা ফাওবা পল্লমদবা অসিনা গভর্ণমেন্ট অসিনা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং নাখৈ শেংলে হৌজিক্তি।

পাখৎলবা সী এম'না মহাক্কী কেবিনেট কল্লিগশিংখক্কা নত্তবা, মহাক্কী পার্টিগী লেজিসলেচর পূম্নমক কৌদুনা ৰা তানখিবগী পাউ অমগা তারক্লিবা অসিনা ঐগী লাংতক্লবা/খোয়শাওনবা অমুক হেনগৎহল্লে। মখোয়গী অপূনবা মীফমদুদা করি-করি খন্নখিবা, করি ৰারেপ লৌনখিবা - অকূপ্পা পাউদু ঐখোয়দা খঙহল্লক্ত্র'সু - মীফমদুনা 'প্রাইম মিনিষ্টর উনবা চক্তুনা ইস্যুসিগী মতাংদা ৰারী শানবা চৎনবগী ৰারেপ'তুদি লৌরক্লোই হায়বসিমদি ঐ খঙই। মরমদি, মখোয় খঙই - ৰারেপ অদু লৌরবসু, মোদিনা ইকায় খুম্নরোই। মণিপুর- ইস্যু অসিগী মতাংদা মঙোন্দা ইবা ৰারোল অমত্তা ফাইল চন্দুনা থল্লক্লোই, দষ্ট-বিন'দা থাদরম্নি। পি এম উনবগী এপোইন্টমেন্ট লৌবগী ৰাদি লাপ্পা থমখ্রসি, হোম মিনিষ্টরগা উনদুনা ৰারী শানবগী এপোইন্টমেন্ট লৌবা-ফাও' অসামগী চীফ মিনিষ্টরগী মনাক্তা চৎলগা ৰানোম্লুই হায়না টিভি চেনেল অমগী পাউ নৈনবগী থৌরম অমদা অচৌবা হীরম অমা ওইহনখিবা-তাহৌখি নোংমা।

তমজরিবা ৰাফম খর'সি নত্তবা সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা তারিবা, তানীংদবা/তাবা নুংঙাইতবা পাউদি মখল কয়ানি। মদুদি নৈনরগুমসি।

অসুম্না থা ১৪ তারক্লিবা পাউ ময়ামসিনা ঙসি ঐ হনুথংদা, সিনিয়র সিটিজেন হায়বদু ওইদুনা পূক্নিংগী শান্তি ফংনবা লম্বী থিদুনা ঈংনা পোত্থারগদবা মতমসিদা ইনখৎলক্লিবা নহা অমগুম এন্টি ইন্দিয়ন ওইবা ফিলিং/ইহুলনা থম্মোয়সি ফুনগৎলকপগুম তৌরক্লি। মসিনি ঐনা ঙক্লিবা।

য়েস! ইন্দিয়ন অমনি হায়বদা চাউথোকচবা ফিলিং অমগা লোয়ননা হৌরক-চাউরকখিবা, মালেমগী লিটরেচরবু নহাক্কী নাউশুমদা শুমদুনা য়োক্লকখিবা ইন্দিয়ন বেদিক লিটরেচর, চাওখৎপগী অহানবা মঙাল মালেম শীন্না য়েল্লম্বা অদুগুম্বা লৈকোলদুদা লৈরাং ওইনা শাৎলুই খন্না চাউথোকচরুবা নাপল! ঙসিদি লৈকোলদুগী মালিগী নুংশি হৈতবা চৈফূ অমনা লৈনা চোইহল্লবা লৈরাংগুম - পূক্নিং-হকচাং-ৰাখল পূম্নমক হিকথরে।

তাবদা করি ফাওবীবগে- ইন্দিয়ন অমনি খনবদা চাউথোকচরম্বা অমনা মশানা এন্টি-ইন্দিয়ন অমা ওইরে লাউথোরকপদা? ৰাফম অসি ইথোক্লমদাই ঐসু খল্লি কয়ারক-এন্টি ইন্দিয়ন হায়বসিগা এন্টি নেসনল হায়বসিগা অনীসি করি' খেন্নবগে? মরমদি, ঐহাক এন্টি নেসনল ওইবা মীশক অমা হায়বদুদি নত্তে হায়বসু খঙই, ময়েক শেংনা। মণিপুর কৌবা লমদমসিনা 'ইন্দিয়া' হায়বা অচৌবা নেসন অদুগী শরুক অমা ওইখ্রবা তুংদা লমদমসিদা পোকখিবা, ইন্দিয়ন নেসনল অমা হায়বদুদি ঙসিসু ওইরি, ওইখিগনি পূন্সি'সিনা পিখম্নদ্রিঙৈ ফাওবদি। অঙকপা, থাজদবা থৌদোক অমদগী 'মণিপুর' ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদরে হায়দুনা 'মণিপুর'বু তূক্কচবা, মীতৈশিংবু ইন্দিয়ন নেসনল অমা নত্তে খনবা কনাগুম্বা ইন্দিয়ন রুল্লর অমনা লাউথোরকপা/ইন্থোরকপা তানফম অমা হিংলিঙৈ পূন্সিসিদা থোক্লরবা নৎত্রগদি ঐহাক ইন্দিয়ন অমা ওইনা শোয়দনা শিগনি।

ঐহাক ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লান হৌদে। ইন্দিয়ন পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক অমদা পূন্সি-শিন্থা পাঙলম্মী। থবক্তগী পোত্থারবা তুংদসু বেঙ্ক'তুগী পেন্সনর অমা ওইনা হিংলি, হিংখিগনি। নুংঙাই-য়াইফবা ইন্দিয়া অমগীদমক মঙ মঙলি ঙসিসু। ইতু, ইচা, ইশু পূম্নমক ইন্দিয়ন ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি ঐ, ঐহাক ইন্দিয়ন অমা ওইরিবরা? ওইদ্রবরা? হায়বসি ইশানা ইশাদা তোয়না হংজহল্লে। ঐনা ঙসি 'ঐহাক এন্টি ইন্দিয়ন অমা ওইরে হায়জরিবগী মরমদি - ঐহাক ঙসিগী লৈঙাক নরেন্দ্র মোদি'না লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা এন্টি গভর্ণমেন্ট ওইবা, গভর্ণমেন্টসিগী থৌরাং-থৌশিলশিংবু য়ানীংদবা মীশক অমা ওইরুবননি। অনীশুবা মোদি লৈঙাক মতমদুদদি গভর্ণমেন্ট'তুগী মায়োক্তা লৈবা মী খুদিংমকপু 'এন্টি ইন্দিয়ন' অমনি লাউথোকখিবনা, অহুমশুবা লৈঙাক অসিদসু মরু ওইবা লৈঙাকপা/মিনিষ্টরসু হান্নগী হান্না মখা চত্থরকপদুনা থৌশিল অদু হোংলক্লোই। আর এস এসকী য়াথং ফাওবা থৌওইদবা মোদিনি। মোহন ভাগবত'না 'মণিপুর ৰাথোক লোইশিল্লু' লীশিংলক হায়রবসু নাচুংলোইদবা মোদিনি।

মাগী লৈঙাক থৌশিলগী ঐনা পামজবা/য়াজনীংবা থৌরাং কয়া লৈর'সু য়ানীংদবা কোঙ্গায়নি। মাগী মণিপুর থৌশিল, লীশিংলক হন্না শেংদোক ৰারোল পীরসু ঙসিদি ঐ নাকোংসিদা হাপ্লরোই। য়ানদবা নাকল অনীগী মরক্তা অমগী মীচঙ লেপ্পা মাগী থৌশিল হোংদ্রিমখৈ ঐ এন্টি-ইন্দিয়ন ওইখিনি।

-ইন্দ্রকুমার

# শাথৌলূপকী চহী ২০ ফারকপগী 'খোরিরোল খোঙচৎ' কছার অমসুং ত্রিপুরা (১২)

মতাং অসিদা ঐনা পন্নীংবদি ঐখোয় লাইরিক পাসি, ঐখোয় লাইরিক ওইনা ইথোকসি, ঐখোয় থিজিনবা লেপকুমসি, ঐখোয় থিজিনগদবা য়াম্না লৈরি, থিজিনবা ৰাৎহৌবদগী চয়েৎনবা হেক্তা থোরকপসু থেংনৈ। খঙজিনবা অমদি লৌশিং তানশিনবদদি মীওইবগী পূন্সি অমনা কোন্নরোই। সিম্পোজিয়ম অসি লোইরবা তুংদা ফেষ্টিবেল অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী লোইশিল্লকপদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট ওজা লোংজম বিরমঙ্গোল সিংহানা থৌরম মপুগী ৰারোল পীখি। তেন্তক্লা মরীক চুম্না মণিপুরী মৈতৈ অমসুং ত্রিপুরাগী মৈতৈশিংগী নুংশি মরী অমা চেৎশিনবগী মতাংদা ৰা ঙাঙবীখি। ফজৈ ৰারোলশিংদো।

মথংগী থৌরমদা শৈরেং-শৈদিন হৌনবা শেম শারে। ব্রেক মচা অমা লৈরিঙৈদা ঐখোয় চা গ্লাস অমমম থকমিন্নরে। ফেষ্টিবেল অসিগী এঙ্কর কোঞ্জেংবম সরিতানা মণিপুরী ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা কবি থাংজম রথিন্দ্র সিংহাবু শৈদিন মপু ওইনবা কৌথোক্লে, ময়াম খূবাক খুই, শৈদিন অসি হৌদোকপদা শৈহৌ ঈশৈ অমা বোবিন অমসুং ঙানবী চনু অনীগী পীক্লিবী মচানুপী লুচিংবীনা লোক্তাক ইমাবু শৈথাবা ঈশৈ অমা খুনুং ঈশৈ ওইনা শক্তুনা হৌদোকই।

লুচিংবীগী মতৌ উবদা ময়াম ইঙক ঙক্লখি। অপেনবা ফাওনখি। ওজা রাথিন্দ্রনা মহাক্কী শৈরেং অমা পারগা শৈদিন অদু হৌদোক্লে। ঐখোয়গী খোঙচৎসিগী মেম্বর ১৪না শৈরেং পাথোকখি। (১) চিরোম রাজকেতননা 'ইপু ইবেনগী পান' (২) সোরোকখাইবম দেবেন্দ্রো মীতৈনা 'থোঙ হাংদোকপীয়ু' (৩) থৌনাওজম ব্রোজেন্দ্রোনা 'অমুক হল্লক্লরোইদ্রবা অদুঙৈগী মতমদো' (৪) আর কে বুধিমন্তনা 'ঙাক্লৌ পীসি' (৫) ওইনাম চিতরঞ্জননা 'লোইনাইদ্রবা ফজবা' (৬) রোমোলা লাইশ্রমনা 'মহাও থোক্ত্রবা নীংতম্বা' (৭) বি বিশন্তোর শর্ম্মনা 'য়েকচনীংই ইমাগী শক্তম' (৮) খ্বাইরাকপম বুদ্ধনা 'পোক্লফম' (৯) রিতা থোকচোমনা 'ৰাশা শাজৈ' (১০) অমরজিৎ তোংব্রমনা 'পূন্সি অমদি লৈচিল' (১১) সরতচান্দ থিয়ামনা 'য়াওরমদে নঙদি' (১২) বোবিন কোন্থৌজমনা 'মঙনি মঙ' (১৩) রোসন মোইরাংথেমনা 'নাইতোম পূন্সি' (১৪) রাকেশ নাওরেমনা 'কপকনু ইমা' অসিনচিংবনি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী মায়কৈদনা (১) থাংজম রাথিন্দ্র (২) থৌদাম নিলকুমার (৩) শিজ মলিনা (৪) এল মীনা (৫) কোঞ্জেংবম সরিতা (৬) খোইরোম সৈব্যা (৭) কোন্সম অতুল (৮) য়ূম্নাম চন্দ্রকির্তি (৯) ময়েংবম প্রায়োৎ (১০) সেলৈবম খেলামোহন (১১) হৈক্রুজম গান্ধেশ্বরি (১২) ক্ষেত্রিময়ূম মহাদেবী (১৩) খোইস্নাম বিরোলা (১৪) খোইস্নাম মঙ্গোল (১৫)



মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী থৌমীশিং অমদি শাথৌলূপকী খোরিরোল খোঙচৎলোইশিং

কোন্সম অপুরবনচিংবনি।

শৈরেংশিংদো অয়াম্বনা ইমা লৈবাকপু শৈথাবা, পেন্দবা, পাউখোঙ ওইনা চনবা অমসুং মাইবী লইফাওগুম তুংগী মীরোলগীদমক শৈথাজবা শৈরেং ঙাক্তনি। কবিশিংদুগী খূৎই ষ্টাইল খুফোঙদোকশিংদো ঐগী মত ওইনদি য়াম্না কন্টেম্পররি ওই হায়নীংই, তোখাই তোখাইবা মহাও ঙাক্তনি। অচৌবা, মায় পাকপা শৈদিন অমা ওইদুনা লোইশিনখি। ঐখোয় খোরিরোল খোঙচৎ অসিগী মেম্বরশিং অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী মেম্বরশিং অপেনবা ওইখি। ভোট ওফ থেঙ্কস পীরবা তুংদা ঐখোয় গ্রুপ ফোটো অমা নম্মীন্নখি। হোলদুদগী থোরকপদা থেংনবা ত্রিপুরাগী কবিশিং খরগসু ফোটো ফনয়াম নম্মীন্নখি।

নুমিৎতুগী নুমিদাংদা সহীদ ভগৎসিংহ য়ুথ হোষ্টেলগী মেসকী দাইনিং হোলদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরানা ঐখোয়গীদমক চাক্লেন অমা শিল্লি, দিন্নর অদু চাদ্রিঙৈদা ঐখোয় ময়াম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা শিন্দুনা খোঙচৎ অদুগী পুকমেন-পাউমেন্নজৈ। অদুম থেংলে নুমিৎতো। হাওবা-হাওতবা থিদনা পূন্না ত্রিপুরাগী খোরিরোল শূরিবশিংদুগা পূন্না চাক চরা অমা চামিন্নখিবা অদু ওন্থোক্লা নুংশিবা মীকুপ অমা ওইখি।

তখেলগা মণিপুরগা লৈবাক অনীসি তোয়না লান তৌনরম্বগী পুৰারীগী ৰারী কয়া থেংনৈ। অকোনবদা লুহোং-খোঙদোংবা য়াওরকপদগী ঙাইসেন ওইনখি। মণিপুরগী নিংথৌ কাবোম্বা (খৃ: ১৫৩৩), খাগেম্বা (খৃ: ১৬৩৪), পাইখোম্বা (খৃ: ১৬৯৬) অমসুং পামহৈবগী (খৃ: ১৭২৪) হাক্তক্তা লান থেংনখিবগী ৰারী ফংই। তখেল ত্রিপুরাবু ঙমখি হায়দুনা পামহৈববু 'তখেল ঙম্বা' হায়নসু খঙনৈ। ত্রিপুরাগী নিংথৌ তৈদাক্ষিনা মণিপুরগী নিংথৌ মচানুপী লুহোংখি হায়না ত্রিপুরাগী রাজমলাদা হায়রি। তৈদাক্ষিনা পাল্লম্মী হায়রিবা মতমসি পাখঙবনা ফম্বাল কাবগী মমাঙদনি। ঐনা ত্রিপুরাগী রাজমালাদা থেংনবা অমনা খাগেম্বা মতমদা ত্রিপুরাদা চাক তাঙবা অমা থোকখি। মফমদুদা মণিপুরগী নিংথৌ খাগেম্বনা মহাক্কী তালোই মহারানিগা ত্রিপুরাগী চাক তাঙবদা হকথেংননা চৎতুনা চেঙ-চাক, অচা-অথক য়েন্থোকখিবগী মতাং অমা থেংনৈ। রাজমালা হায়বা ত্রিপুরাগী রোয়ল ক্রোনিকল অসি বেঙ্গালিনা ইবনি অদুবু খাগেম্বনা মতেং পাংবগী মতাং, মতেক অসিদি ইংলিসতা ইরগা য়াওরম্বদগী খঙবনি। মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃ: ১৫৯৭-১৬৫২) সনা হাক্তক্তা (তখেলদা জ য়াশোধার মানিক্যানা পানবা মতম) ত্রিপুরাগী নিংথৌদা থাজবা তখেল লৈমা অকোইজম চনু য়াঙনু তখেলদা চঙখি হায়দুনা চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি অদুবু মখোয়গী রাজমলাদদি ইদে। অসুম কূপ্পা নৈনরবদি ঐখোয়না নিংথেম চনু হরিশোরিনা ত্রিপুরাদা অহানবা ওইনা মহারানি ওইনা লৈখিবদুনা মৈতৈনা খুন্দাদুনা লৈখিবা অহানবনি হায়বা লাইরিকশিংদা থেংনরবসু মমাঙদা মৈতৈ চনু কয়া নিংথৌশিংনা লৌখিবসু থেংনৈ।

ত্রিপুরাগী নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা নিংথৌশিংগা ঙাইশেন থোক্নরবদি থোক্নরিবা ঙাইশেনদুগী মশেন, মবাইবু 'থাকুর' হায়বা মিংথোল অসি পীদুনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা অঙম-অথৌ থাক্তা পুখৎলি। ত্রিপুরাগী মৈতৈগী মরক্তা থাকুর ফমথোল অসি ফংখিবসি কোকচাও সনানা অহানবনি। অদুনা মহাকপু নারধজ থাকুর হায়নখি। মহারাজ বিরচন্দ্র মানিক্যাগী মন্ত্রি ওইরমখি। মহারাজ বিরচন্দ্র মানিক্যাগী অনীশুবা মহারানি পাঙম্বম চনু রাজেশোরি (কবোকলৈ) বু ত্রিপুরাগী নিংথৌ বিরচন্দ্র মানিক্যাদা থাজরবা মতুং মচা ইবেম্মগা লোয়ননা পাঙম্বম প্রেমসিং থাকুরসু শিলহেটতগী ত্রিপুরাদা লাকখি। নিংথৌনা মহাকপু আগরটলাগী ধালেশোরদা লম পীদুনা লৈহনখি। -আর কে বুধিমন্ত কর্টা

# আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী গ্রুপ আর্ট এগজিবিসন 'ভোইস ওফ কলর এন্দ স্ট্রোক্স' ২০২৪


চহী য়াঙ্খৈগী খোঙচৎ হায়বসি য়াম্না শাংই। উপাল ওইনা হৌরবদি মনা পুংলদুনা উহৈ য়াম্না পাল্লদুনা মরূ লুক্লা লৈরবা চীং লেল্লবা তলা পামেল হায়বদু ওইরবনি। লৈবাক-লৈহাও চেল্লবা চীংলৈবাক্কী মণিপুরদসু কলাগী ওইবা উপাল অমদি কুম্মজা ১৯৭২দা থারমখি মতম অদুগী লময়ানবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্টশিংনা। ঙসিদি চহী ৫০ মপূং ফারে আর্ট সোসাইটি মণিপুর। ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা মণিপুরগী গভর্ণরনা চীফ পেট্রোন ওইবা সোসাইটি অসিগী মেম্বর পূন্না ২০০ হেন্না লৈ। সোসাইটি অসিনা আর্টকী ওইবা থবক থৌরম কয়া মতম-মতমগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মনুংদা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা আর্ট এগজিবিসন, ৱার্কশোপ, সেমিনারনচিংবা কয়াসু চাং নাইনা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিগী ভিজ্যুএল আর্টিষ্টশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি। চৎলিবা চহী অসিগী মে ২৯দগী জুন ৫ ফাওবা নুমিৎ ৮নি চূপ্না কোলকটাদা লৈবা মমিং চৎলবা আর্টকী সেন্টর অমসু ওইরিবা একাদেমি ওফ ফাইন আর্টসতা আর্ট সোসাইটিগী 'ভোইস ওফ কলর এন্দ স্ট্রোক্স' হায়না মিংথোনবা গ্রুপ আর্ট এগজিবিসন অমা পাঙথোকখি। য়াম্না মায় পাক্লা পাঙথোকখিবা এগজিবিসন অসিমক আর্ট সোসাইটি মণিপুরনা চহী ৫০ শুরকপগী সনা ফুদোংবা চহীগা মরী লৈননা শিনখিবা এগজিবিসন অমনি। মসিদা লমদম অসিগী সিনিয়র অমসুং জুনিয়র ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট পূন্না ৩০গী আর্ট ৱার্ক ৪২ উৎখি। গ্রুপ আর্ট এগজিবিসন অসি মমিং লৈরবা নেসনল ললিট কলা একাদেমি এৱার্দি তাপাস কোনার, সিনিয়র আর্টিষ্ট অসিনা হৌনবী মতুংইন্না মায়খুম হাঙদোকখি। হৌদোকপগী থৌরম অসিদা আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী হৌজিক-হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরিবা শক্লাইরবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট থিয়াম দেবেন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখি। মণিপুরগী ভিজ্যুএল আর্টিষ্টশিংনা পুথোরক্লিবা আর্ট ৱার্কশিংবু থৱায় তানা য়েংদুনা লাক্লবা তাপাস কোনারনা লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংগী কলাদা উরিবা কম্পোজিসন অমসুং মফোঙদোকশিংদা অসুম্না হায়রক্লি "Their language of art is very modern and the practices are very contemporary. I believe if those art works are possible to place in any gallery of the world it will be at par with the international work."

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কলা ভুষণ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা লমদম অসিগী সিনিয়র ভিজ্যুএল আর্টিসি অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মগী 'সাইলেন্স কম্যুনিকেষ্টস দোট দোট দোট হায়না মিংথোনবা ওইলদা য়েকপা বুদ্ধ অমসুং ৰাহোংগী পেন্টিং অসিমক ওন্থোক্লা চঙখোল্লি। বেকগ্রাউন্দদা উৎলিবা চন্দোল মচুগী তবা-তবাবা ব্রশ ষ্ট্রোক অসিনা ঈং-ঈং লাউবা ইমপ্রেসন অমদি অয়েংবশিংদা ফাওহল্লি। য়ুল্লেম্বম অৱাঙম্বা মৈতৈগী আর্কাইলিক্তা য়েকপা 'রেটিং' মিংথোনবা রিক্সো থৌবা নুপা অমনা চিন্তা তৌদুনা মী লাকপা ঙাইবগী শক্তম অসিমক হৌজিক্কী মতমদা থেংনরিবা চাকখুম মৈ মূত্তনবা হোৎনরিবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলিবা কয়াগী পূন্সি ময়েক শেংনা য়েক্লি। বসন্তরাজ সনসমগী 'Blood moon, Fire arrow & War horse' উৎলিবা শগোল অসি মতম অমদা শাফম-লানফমদা মথৌনা ফন্না লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাকপদা চাউরবা থৌদাং লৌরম্বা পাঙ্গলবা শগোলদুনি। ঙসিদি পুৰারী ওইহৌরে। অথৌবা লাম্মীসু পাঙ্গল ফূদোকপা ঙমখিদবগী মতৌ অমা উৎলি অদুবু তেন্দোংদা মচিল থৌরবা তেঞ্জৈদি লৈরি অকোয়বদা লাম্মৈনা চাকশিল্লক্লবসু। য়াম্না ৰাহন্থোক লৈবা পেন্টিংনি।

আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী হান্নগী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরম্বা ব্রহ্মচারিময়ুম বিশন্তোর শর্ম্মগী 'পিজ-২' মিক্স মীদিয়ানি। পেন্টিং অসিদা উৎলিবসি সনা খোঙনাং মনাতনা য়োল্লবা বুদ্ধনি। মখূৎনা থরো অমা নুংশিনা পায়রি। অঙৈংবা অতপ্পা শান্তিবু ইখৌ লাংলিবা পেন্টিং অমনি। মহৌশা মালেমদা শান্তিগী পাউজেল পীনীংলি। সরাংথেম বোবিগী 'Untitled-III' কন্টেম্পররি আর্টনি। পোষ্ট মোদর্ন ৱর্ল্ড অমগী ফ্রেগমেন্টরি ওইরবা, চমম্নবা, সোল্যুসন লৈবদি মাল্লগা সোল্যুসন পুথোকফম খঙদবা, চরাংনবা, ইমম মম্বা আশা খরতমক উবা মতমগী লাই অমখক রিপ্রজেন্ট তৌনবা হোৎনরি।

থিয়াম দেবেন্দ্রগী 'রোকস্কেপ' মহৌশাদা হেন্না নকশিন্নবা, অৱাংবা চীংদোল, অকনবা নুংমূ, লৈচিল শানা তাবা, ইচিক-চিকপা মহৌশাগী মশাইকোল অমা ওইল পেন্টিং অসিদা উবা ফংই। য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবা অতপ্পা-অঙৈংবা মহাও অমদি পীরি। ইম্ফাল আর্ট কোলেজদা পেন্টিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা হাওবম দেবব্রতগী 'মায়থোঙ সেরিজ-১৬' আর্কাইলিক কলরদা য়েকপা নুপী অমগী মায়থোঙগী পেন্টিংনি। মায়থোঙগী অকোয়বদা শাৎলিবা লৈরাংশিংনা মহি চেল্লি। লৈনা খরসু লৈমন চল্লি। কুরাকসু পায়রি। মায়থোঙসিনা হুমাংনা লুপ্লি। ৰাহন্থোক য়াম্না লৈবা পেন্টিংনি। আর কে দেবরাজগী ওইল পেন্টিংদা


Caged | Acrylic


Silence communicates dot dot dot | Oil


Peace-II | Mixed Media


Blood moon, Fire arrow & War horse | Acrylic

'দিটরিওরেসন' হৌজিক-হৌজিক ফোং-ফোং শানা থেংনরিবা এনভাইরনমেন্টেল থ্রেট ওইরবা তুরেল অমসুং পাৎ কোমদা দম্পিং সাইট ওইশিল্লকপদগী ঈশিংদা হিংলিবা ঙাদগী হৌরগা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মফমদা লাক্লিবা অকিবগী মশক ওইরবা কন্টামিনেসন অদুগী ভিভিদ ইমেজ অমা পেন্টিং অসিদা উৎলি।

মৈত্রম বোইচান্দগী 'মেলাণকোলি দ্রিম' ক্যুবিজমদা নকশিনবা মখলগী পেন্টিংনি। হেনবা তেন্সুবগী পেন্টিং 'দোন' চীংখৈ হুল্লকপা অয়ূক্কী শক্তম ফোঙদোক্লি। মৈনম ইরিকখোম্বা মীতৈগী 'কম্পোজিসন-১' দা উৎলিবসিনা স্কাই স্ক্রেপ্পরশিংনা, কংক্রিক বিল্ডিংশিংনা অনৌবা শক্লোন লৌরক্লিবা পূন্সি মহিং অদু উৎলি। য়েংকোকপম জোবিতাগী দ্রাইপোইন্টতা য়েক্লিবা 'ঐগী শক্তম অমা' য়াম্না ফজবা এক্সপ্রেসননি। নুপী অনীখক মায় মায় ওনশিন্নদুনা করিগুম্বা খরা পাউদম্নরি। অৱা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্নবগী মতৌনি। সোইবম কোরৌঙানবনা মীতৈগী 'কেজ' শারং মনুংদা হিংলিবা পূন্সি কয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌরি। মোংফমগী নুঙ ময়াম মরক্তা মফি থোংদ্রবা মীওই অমনা ঈগী ঈপাক্তা থৌরবা য়োৎপী মরক্তা ফল্লি। কন্টেম্পররি আর্টকী ফজবা খুলাম্থোক্কী পেন্টিংনি হায়নীংই।

গুরুময়ূম কৃষ্ণদাস শর্ম্মগী 'সোলিত্যুদ' ইমপ্রেসনিজমদা নকশিনবা, মহৌশাগী লেন্দস্কেপ অমগী বৃলিয়েন্ট ওইবা হঙ্গাম্পাল মচুনা লোকপা, নুমিৎ মঙালনা তাম্না উরকপা, অচিকপা অয়ূক অমগী পেন্টিংনি। য়েংবা য়াম্না নুংঙাই। চান্দম ললিতকী 'দেষ্টিনেসন' আর্কাইলিক্তা য়েকপা শান্তিবু ইখৌ লাংলিবা পেন্টিংনি। মমা অমনা পীক্লিবা মচাবু মথানুংদা নুংশিনা চেৎনা কোল্লি চরৈ ফিম্না চেকশিন্না য়োমদুনা। মসিগী অকোয়বদনা ইরৈগুম্বা শাহুম্না ইকোয় কোয়শিল্লবা মরক্তা খুনু অনীনা পাইরি মসা তুফাং খপ্লদুনা। য়াম্না ফজবা ৰাহন্থোক পীবা পেন্টিংনি। থোইদিংজম লোকেশ্বরিগী 'সেল্ফ প্রোটেক্সন' য়েংবদা পূক্নিং হুবা থম্বাল চাম্মা নিপালদা থম্বাল মশানা চেকশিন্না শেন্নজবা মথৌ অদুনা এবস্ট্রেক ওইনা পুথোক্তুনা য়েকপনি। বৃলিএন্ট পর্পল মচুগা মজেন্দাদা হেন্না মচুহাপ্তুনা অয়েংবশিংদা ইমপ্রেস তৌহনবা ঙক্লি। নহা ওইরিবা কোন্থৌজম মাইকেল মীতৈগী 'Nature-XV' মেদিয়ম্না কোলাজ আর্টনি। লেন্দস্কেপ অসিমক য়াম্না ফজবা মখলগী আর্টনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা ফংখ্রবা মাইবম মণিঙৌগী 'The pangs of peace' মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগসু য়াম্না চুনবা পেন্টিংনি। অমম্বদা ইমা ইবেলশিংনা লাউরিবা খোল্লাও, মিৎ পুনশিল্লবা, খূৎ পুনশিল্লবা পূন্সি মহিং, অচুম্বা অদু করিনো খঙলবসু পাম্বৈ লৈতবা মতৌ অমদি মৈখুনা মল্লবা কাচিন অমদগী খুনু অমনা মশেন-মরাং মঙালগী লম্বীদা পাইশিল্লকপা পেন্টিং অসিগী ময়ায় চবুক্তনা খুনু অঙৌবা অমনা মনিং তম্না ময়েক শেংনা মসা খপ্লিবা অসিমক য়াম্না চংখোল্লবা শান্তিগী পাউজেল পুরিবা পেন্টিংনি।

সনাবম মনোরমাগী 'দ্রিম-৬' হায়না মিংথোনবা লিনোকত অসিমক য়াম্না ৰাহন্থোক লৈবা লাইনি। মসিদা হৌদোং লম্বোইবনা ঙায়োক চফুন্দগী ঙা অমা ফানবা থৌরাং তৌরি। নাকল্দনা খোই অনী লৌশিন্নদুনা অমনা অমদা য়েৎশিল্লি অদুগা বেকগ্রাউন্দ অসিনা অমুবা মচুনি। নিতিস চীংঙাখমগী 'খ্বাং ফনেক শাবা' পেন্টিংনা মতম অমগী ইমা-ইবেলশিংনা ফিশা-লোনশা তৌদুনা ইয়োংগী পোথোক্লা মীপান তাংদনা হিংলম্বা পূন্সি অদু নীংশিংহল্লি। ওইনাম তিজেনগী 'কেবা' অসিনা নুপী ওইবীশিংনা কেন্না লৈজবা মতৌ, থোৎপা-মেংবা, কেজ-মৌজবা মতৌশিং পেন্টিং অসিদা উবা ফংই। য়াম্না ফজবা পেন্টিংনি। খুরাইজম পান্থোই চনুগী 'Untitled' উরিবসি এক্সপরিমেন্টেল ওইনা পুথোক্লকপা নুপীগী শক্তম অমনি। য়েংবা অদুম নুংঙাইবা পেন্টিংনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা ফংখ্রবা নাওরেম রাজেসকী 'A man' Dry point য়াম্না ৰাহন্থোক লৈবা আর্টনি। উরিবা শক্তমসি মীগী মমিদা শা কৈগুম্না মমৈ পানবা, মতু পানবা, ঙকশমদা টাইদি পুল্লবসু খল্লিবা ৰাখলসি মীওইবা হায়বদুদি ওইদ্রে হায়না ফোঙদোকপা আর্ট ৱার্কনি। পেন্টিং অসিগী বেকগ্রাউন্দ অসিদা উৎলিবসিসু কন্টেম্পররি হ্যুমেন সোসাইটিনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা ফংখ্রবা রাজকুমার থম্বালম্নাগী 'Simoon' খৌগংলবা মালেমদা মীওইবনা হিংলিবা পূন্সিগী শক্তম অমা ময়েক লানা মোদর্ন আর্টকী এক্সপ্রেসনদা উৎনবা হোৎনরি।

সলিনা নিংথৌজমগী 'Clusive Serenity' দা উৎলিবসিনা ঈং-ঈং লাওবা লাইজ ইয়োক কোমদা থরো অঙাংবনা মনীং তম্না লৈশাৎ তম্বদুনি। য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবা পেন্টিংনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দ ফংখ্রবা মংসাতাবম সেমসন মীতৈগী 'Heikru Hidongba//Dry point উরিবসি মণিপুরগী ত্রেদিসন অমসুং কলচরদা য়াওদুনা লাক্লবা হৈগ্রু হিদোংবগা শাগোন্নরিবা হীয়াং কুম্মৈ অদুগী ফজরবা মশক অমা মুভমেন্ট য়াওনা উবা ফংবসিনি ফজরিবসি। কৈথেল্লাকপম সাইলেক্সকী 'Eutopia-II' উৎলিবা শগোল অমনা মালং খোঙনেৎনদুনা তরংদা কাংক্রুম তান্নরিবা অসিমক য়াম্না ৰাহন্থোক লৈ। য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবা পেন্টিংনি। বর্ষা অরিবমগী 'Back to the days' অসিদা উৎলিবসি অঙাং অমা মমানা ইরু লুবীবগী য়াম্না চম্বা পূন্সিগী মতাং অমদি উবা ফংগনি। হানিত মোইরাংথেমগী 'ফেমিলি' হায়বসিদনা ইচম চম্বা য়েনবা অমসুং য়েনবী অনীগা য়েন্নাওশিংনা মচীঞ্জাক খুনবগী পেন্টিংনি। চম্না অদুম য়েংবা নুংঙাইবা পেন্টিংনি। 'The Mountains of Hope' হায়রিবা পেন্টিং অসিনা তোংব্রম অমরজিৎকী লেন্দস্কেপ সেরিস ওইনা য়েক্লকপগী মনুংদা সিংদাগী লেন্দস্কেপ অমনি। মসিদা মীৎনা ঈংলবা লোইবী চীংশাং পরেং, উমংশিং, তরু-তরু অতিয়া, লৈচিল মফোল পূম্নমক উবা ফংলি। ঙসিদি হায়রিবা চীংশাং পরেং অয়াম্বা পোপি থাবশিংনা মরূ কোকখিদুনা মহৌশা খূৎশেমগী ফজবা পূম্নমক মাঙশিল্লক্লি। মসিদা ভিজ্যুএল আর্ট অমা ওইনা অয়েংবশিংদা পাউজেল পীনীংলি। মহৌশা হায়বসি য়াওদ্রবদি মীওইবনা হিংবা ঙম্লোই হায়না।

আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা চহী ৫০ মপূং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা গ্রুপ আর্ট এগজিবিসন ভোইস ওফ কলর এন্দ স্ট্রোক্স অসিদা কোলকটাদা লৈবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট কয়া, আর্ট লভরশিং, আর্ট কনোইসরশিং নুমিৎ খুদিংগী লাক্তুনা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবা আর্টিষ্টশিংগা ইন্টরেক্সন কয়া তৌখি। মখোয়না আর্টৱার্কশিং অদু উৱগা মণিপুরবু হেন্না মশক খঙখি। পাউজেল কয়াদি পেন্টিংশিং অদুনা চেল্লমখি। ঐখোয়সু শান্তি পাম্মী, ঐখোয়সু মহৌশা নুংশি হায়না। মপাল লমদা অসুম্না সোসাইটিনা গ্রুপ আর্ট এগজিবিসন অমা পাঙথোকপসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই। য়াইফবা ওইরসনু আর্ট সোসাইটি মণিপুর।

-তোংব্রম অমরজিৎ